থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# কার্টুন-মুসলিম-অমসুং-শিব সেনা

'মদন শর্ম্মা' কৌবা চহী ৬৫ শুরবা নেভিগী রিটায়র্দ ওফিসর অমনা, মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর 'উদ্ধব থাক্রে' গী কার্টুন অমা 'ৱাটসএপ' কী খূত্থাংদা মরুপ মপাং খরদা সেয়র তৌদুনা থারুবগী, মুম্বইগী কান্দিভলি'দা লৈবা মশামক্কী ময়ূমদা শিব সেনাগী ৱার্করশিংনা কোয়তান তান্নদুনা ফূখি। থিনখি, কাওখি। ফারগা পুলিস'তা শিন্নখি। কোন্নবুদি ৱায়েনশঙগী য়াথং লৌদুনা জামিন (বেল) দা থাদোকখি। থৌদোক অদু 'রিপব্লিক টি ভি'না কোভরেজ তৌরগা উত্তুনা লৈবাকসিগী মীয়াম শীন্না খঙহনখি। শিব সেনা পার্টিগী মাউথ-পিচ ওইরিবা 'সামনা' চেফোংদা থৌদোক্তুগী মতাংদা ইরকখি ... 'মহাক্না ঈংনা-চিক্লা-লৈরিবা, হিংবই পান্বে পীরিবা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না খনবা লৈঙাক-মপু অদুগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলগা, মাগী ইকায়খুম্নবা য়োল্লগা কান্নবা করি ফংবগে ... অদুগুম্বা মীশক্তুবু ঐখোয়না মনা পীদুনা ইকায়খুম্নগদ্রা'...? কার্টুন ওইনা য়েক্তুনা কনাগুম্বা অমগী মরমদা করিগুম্বা খরা হায়বা হায়বসি মহাকপু করেম্নবা, থওই-উশিত্তবা নত্তে, জর্নেলিজম হায়বা শিনফমসিগী শরুক অমনি হায়বসি শিব সেনাগুম্বা পোলিটিকল-পার্টি অমদদি নীংশিংনীংঙাই ওইদবনি। মরমদি পার্টিসিবু হৌদোক্লম্বা, মরাথা-টাইগর মিংগৌনরম্বা 'বালা-সাহেব-থাক্রে' 'কার্টুনিষ্ট' অমা ওইনা মমিং চৎখিবা মীশকনি। ৱাথোক ওইরিবা কার্টুনদুসু অদুক হাক্লা ওবজেক্সনেবল ওইবা নত্তে - 'উদ্ধব থাক্রে'না সোনিয়া গান্ধী অমদি শরদ পাৱর'গী শক্তম অনীদা মখূৎ লোন্নদুনা খুরুম্বগী শক্তমনি, সোনিয়া অমদি শরদকী শক্তমদুদা 'মমাইবেম্মা' (মাতাশ্রী) অমসুং 'মপাইবুংঙো (পিতাশ্রী) হায়না ইরুবদুখক্তনি'। মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর, উদ্ধব থাক্রেনা খল্লি - কার্টুন অদু মহাকপু লন্নাই ওইনা করেম কথায়নরিবনি, উশিত্তবা থৌওংনি। পার্টি ৱার্কর থাদোক্তুনা কিহন-খঙহন পোকহন্দ্রবদি তুংদা লমদম্নরক্কনি। ৱাখলসিনা মাঙওইনরগনি এটেক অদু চত্থখিবা।

থৌদোক অসি নৌহৌননা ঙসি অমুক তম্মিংলক্লিবা করিগীনো? মরম লৈ। মুসলমানশিং, মখোয়গী ইস্লাম-ধর্ম্মগী মায়োক্তা করিগুম্বা অমত্তা হায়বা য়াদবা, ইস্লামগী মায়োক্তা, কোরান'দা ইরিবা ৱাহৈ অমত্তগী মরমদা কম্মেন্ট অমত্তা পীবা য়াদবা, রিলিজিয়স ইন-টোলেরেন্সকী মতাংদা মালেমদা মমিং চৎলি। চুম্না, য়ানীংদবা ফোঙদোক্লগা তোকপা নত্তে। অদুগুম্বা কম্মেন্ট পীরুবা (ৱা ঙাঙলুবা) মহাক অদু মঙক কক্তুনা হাৎননবা য়াথং তৌই, মখোয়গী অচৌবা লুচিংবা অমনা। মুসলমান খুদিংমক্লা অদুগুম্বা য়াথংদুগী মথক্তা ৱাহং পাউহং তৌবা য়াদে, য়াথং অদু ইনগদবনি। মদুবু কৌই 'ফটৱা'। অসিগুম্বা থৌদোক মশীং খঙদনা থোকখরে, পূম্নমক্লা খঙনরে, শন্দোক্লা অমুক ইজররোই। শিব-সেনাগী ৱারী, অহৌবদা লীজখ্রিবা থৌদোক অসি ফ্রান্স'কী মুসলিম ইচিন-ইনাওশিংনা মাঙলমচত্তা চত্থখিবা থৌওং অমগী মতৌ তমদুনা তৌখিবরা? পূক্নিংসিদা ফাওরক্তুনা মীয়ামদা সেয়র তৌজরিবনি।

চয়োলগী ওইনা ফোঙবা ফ্রেঞ্চ'কী জর্নেল অমা লৈ - 'চার্লি হেবদো'। ফাগি জুগায়, কার্টুন, অতেনবা ৱারী-ৱাতায় অমদি মচেক্লা য়ৈবা (করেম্নবা ৱারেং) রিপোর্টকীদমক মমীং চৎলি। পোলিটিক্স, কলচর অমদি রিলিজনগী ইস্যুদা কন্ট্রোভর্সল ওইবা আর্টিকল ইরুবগী ৱাথোক কয়াদা চেন্নখ্রে। ইস্লাম লাইনীং হৌদোক্লম্বা 'হজরত মুহম্মদ'পু করেম্নবা কার্টুন য়েক্তুনা ফোঙলুই হায়বগী ৱাহৌ'দা ২০১১, ২০১৫ অমদি ২০২০দা মুসলিম-টেররিষ্ট'শিংগী এটেক মায়োক্লখি। অহানবা (২০১১) গী এটেক অদু মুহম্মদকী মোমোন নোকপা শক্তম অমবু 'নোক্ল-নোক্লা শিবা ঙমদ্রবদি লীচৈ চাম্মা ফূগনি' হায়বা কার্টুন অমা য়েক্তুনা ফোঙলুবগীনি। অনীশুবা (২০১৫) গী কার্টুন অদুনা, 'নোক্ল-নোক্লা শিবা ঙমদ্রবদি লীচৈ চাম্মা ফূগনি' হায়বা লাই অদুনা মখুম ওইবা 'চার্লি হেবদো' চেফোংদুদা 'এদিটর-ইন-চীফ : হজরত মুহম্মদ' হায়বা কার্টুন অমা ফোঙলুবগীনি। বোম-টোপ-নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান্দাখি। মীওই ১২ শিখি - কার্টুনিষ্ট মঙা, এদিটর অনী, ইকোনোমিষ্ট অমা, গেষ্ট অমা, মেন্টেনেন্স ৱার্কর (থবক শূবা) অমা, লোয়ননা পুলিস ওফিসর অনী।

থৌদোক্তুগী মতুং, মতম খরা ফোঙবা লেপ্লুরবা মতুংদা, ফ্রান্স গভর্ণমেন্টকী মতেং অমদি মীয়ামগী দোনেসন লৌদুনা- অমুক হিংগৎলকখি। থৌদোক অদু নীংশিংদুনা য়েকপা অনৌবা কার্টুন অমা য়েক্তুনা ২০১৫দা ফোঙবা ইস্যু অমদা ফোঙলকখি - 'চার্লি হেবদো' গী কোভর ওইনা, মুহম্মদকী মখূত্তা 'ঐহাক চার্লি'নি' হায়না ইবা প্লে-কার্দ অমা পায়, কোকতোন'দুদা ইরি - 'পূম্নমক ঐনা ঙাকপীরে'।


'সেম্যুঅল পাটি' কৌবা হিষ্টরি প্রোফেসর অমনা মহাক্কী লেকচর অমদা ২০১৫গী 'চার্লি হেবদো' গী ইস্যু (কোপি) অদু মহাক্কী মহৈরোয়শিংদা উৎলুবগী ৱাহৌদা প্রোফেসর অদু স্কুলদুমক্কী মমাঙদা মঙক কক্তুনা হাৎখি, চর্চ অমগী মনুংদা থাঙ পায়বা মীওই মরি চঙদুনা মরান লৈতবা মীওইশিংদা লান্দাখি। খোয়শাওনরবা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট 'ইন্ম্যানুঅল মেক্রোন' না লৈবাক্তুদা কনাগুম্বা অমত্তনা, মহাক্কী ধর্ম্ম (লাইনীং লম্বী) অদু শক্তাকপা ফিজোল নৎত্রগা লৈতেং শীজিন্নবা য়ারোই লাউথোকখি। য়াথংদুগী মতুংইন্না মুসলমানশিংগী অঙৌবা তুপি, মুসলিম নুপীশিংগী মমায় খুম্বা অমুবা ফি/কোকখুম ফি অমদি খৃষ্টিয়নশিংগী ক্রোস - শীজিন্নবা য়াররোই। ওর্দরসিগী মায়োক্তা 'তুর্কি'না লুচিংদুনা, মুসলিম লৈবাক কয়ানা ঈরাং হৌরকখি, ঈহৌ শাগৎলকখি। বোম্বে'দসু মুসলিমশিংনা লম্বীদা প্রসিদেন্ট মেক্রোনগী শক্তম নপশিন্দুনা অচৎ অওকশিংদা নেত্তুনা চৎহনখি।

থৌওং অদু শিব-সেনাগী ৱার্করশিংদদি পূক্নিং ইথিল পীবা থৌদোক ওইনা খনবীবরা? মুম্বইদা থোকখিবা থৌদোকশিংদুনা খনহল্লকপনি।

লৌশিং পুক্কে

# থাগী খোঙ্কাপ খম্বা অমসুং যুটেরাইন ফাইব্রোইদ্স-১

যুটেরাইন ফাইব্রোইদ্স হায়বসি ফাইব্রোইদ্স নৎত্রগা লাইওমাইওমা হায়নসু খঙনৈ। মসি নুপীগী অঙাং খাউগী ৱালদা পোম্বা অপীকপা ট্যুমরশিংনি। হায়রিবা ট্যুমর (অপোম্বা) শিং অসি বিনাইন ওই, হায়বদি মখোয় অসি কেন্সর ওইরক্কদবা অপোম্বা নত্তে। অদুমওইনমক, মখোয় অসিনা চৈনাখোল অমদি অতোপ্পা য়াম্না নুংঙাইতবা লাইওং কয়াদি থোকহনবা য়াই।




ফাইব্রোইদশিং অসি নুপীশিংগী ওইনা খ্বাইদগী কম্মন ওইবা বিনাইন ট্যুমর মখলনি। মখোয় অসি অঙাং পোকপা য়াবা চহী মতাংগী নুপীশিংদনা খ্বাইদগী হেন্না নাগল্লি। নুপীশিংনা মসিগী খুদোংচাদবা অসি থাগী খোঙ্কাপ খম্বা হৌরকপা মনুং অমদি খমখ্রবা মতুংদফাওবা অদুম মখা চত্থদুনা লৈবা য়াই, নৎত্রগনা হায়রিবা পুন্সিগী তাঙ্কক অসিদা ইহান হানবা ওইনা নাবা হৌরকপা ফাওবা য়াই।

হকচাংদা য়াওরিবা ইষ্ট্রোজেন অমসুং প্রোজেষ্টেরোন হোর্মোনশিং অসিনা ফাইব্রোইদ্সকী রিস্ক হেনগৎলকপা ঙমই। থাগী খোঙ্কাপ খম্বগী অহানবা তাঙ্কক মনুংদা নুপীগী হকচাংদা ইষ্ট্রোজেন অমসুং প্রোজেষ্টেরোনগী চাং হন্থনা পুথোকই। মসিনা মরম ওইরগা ফাইব্রোদ ওইরকপা য়াবগী খুদোংথীবা হন্থরকই।

হোর্মোনগী লেবেল হন্থরকপা অসিনা হান্না য়াওদুনা লৈরবা ফাইব্রোইদশিংগী চাউবগী চাং হন্থহল্লকপদসু মতেং পাংবা য়াই।

নুপীশিংদা ফাইব্রোইদ লৈরকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহনবা রিস্ক ফেক্টর কয়ামরুম লৈ। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা পনবা য়াবশিংদি– ব্লদ প্রেসর ৱাংবা (হাইপরটেন্সন); ভিটামিন দিগী চাং নেম্বা; ইমুংগী মীওইশিংদা ফাইব্রোইদ লৈখিবগী হিষ্টরি লৈবা; হকচাং নোয়বা; মমাঙদা মীরোনখিদ্রিবা; মতম শাংনা অমদি য়াম্না কা হেন্না ষ্ট্রেস লৈবা অসিনচিংবশিংনি।

মশাগী চহী ৪০গী মথক্তা লৈবা নুপীশিংসু ফাইব্রোইদকী রিস্ক ৱাংই।

ফাইব্রোইদ্সনা প্রিমেনোপোজল (থাগী খোঙ্কাপ খল্লমদাই) অমসুং পোষ্টমেনোপোজল (থাগী খোঙ্কাপ খল্লবা মতুং)গী তাঙ্কক্তা লৈবা নুপীশিংবু তোঙান তোঙানবা মওংশিংদা এফেক্ট তৌবা য়াই। অয়াম্বনা প্রিমেনোপোজলদা লৈবা নুপীশিংনা হেন্না শাথিবা লাইওংশিং থেংনগল্লি।

করিগুম্বা মতমদদি ফাইব্রোইদ্সকী লাইওং অমত্তা উৎলক্তবসু য়াওই। দোক্তরনা পেলভিক এগজাম তৌবা মতমদা ফাইব্রোইদ লৈরে হায়বা খঙবা য়াই।

প্রিমেনোপোজল নৎত্রগা পোষ্টমেনোপোজলগী তাঙ্কক্তা লৈবা নুপীশিংনা মখাদা পীরিবা ফাইব্রোইদকী লাইওংশিং অসি থেংনবা য়াই। লাইওংশিং অদুদি– ঈ য়াম্না কা হেন্না চৎপা; স্পোটিং (ঈ খরা খরা চৎপা) তোয়না তৌবা; ঈ কা হেন্না চৎখিবদগী এনিমিয়া নারকপা; থাগী খোঙ্কাপ লাকপগা মান্ননা পূক য়েকপা; পূক্কী মখা থংবা শরুক্তা ইথন থনগৎপগুম ফাওবা; পূক কংখৎপা; খ্বাঙ নাবা; মপান তোয়না থোকপা; ইনকন্তিনেন্স নৎত্রগা হক্কী ঈশিং ফাজিনবা ঙমদনা চৎখিবা; হকতিন্নবদা নাবা ফাওবা; লাইহৌ; ওনীংবা; কোক চীকপা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

ফাইব্রোইদ অমনা নৎত্রগা ফাইব্রোইদশিংগী চবুন অমনা অঙাং খাউগী ৱালদা প্রেসর পীরকপনসু মথক্কী লাইওংশিং অসিগী মনুংদা কয়া অমা থোকহনবা ঙমই। খুদম ওইনা ফাইব্রোইদশিংনা ব্লাদ্দরদা প্রেসর পীরকপনা মপান তোয়না থোকহল্লি।

**থাগী খোঙ্কাপ খমখ্রবা মতুংদা ফাইব্রোইদ্স লায়েংবা:**

ফাইব্রোইদ অসি লায়েংনবা হোৎনবদা অরুবা অমা ওইবা য়াই।

ফাইব্রোইদ লায়েংনবগী খ্বাইদগী ফবা দ্রগ অসি বর্থ কন্ট্রোল পিলশিংনা ওইরি। ফিভমগী মখা পোন্না দোক্তরনা সর্জরি তৌদুনা ফাইব্রোইদশিং লৌথোক্লবা রেক্কমেন্দ তৌরকপা য়াই। সর্জরি মখল অসিবু মাইওমেক্টোমি হায়না খঙনৈ। করিগুম্বা মতমদা সর্জরি তৌদুনা অঙাংখাউ লৌথোকপা (হিষ্টরেক্টোমি) মথৌ তাবসু য়াই।

হোমোর্নেল থেরাপি: বর্থ কন্ট্রোল পিলশিং অসি চৈনাখোল অমদি ঈ কা হেন্না চৎপনচিংবা ফাইব্রোইদকী লাইওংশিং মেনেজ তৌনবগী পান্বে অমনি। অদুমওইনমক মসিমক্লা অপোম্বশিং অদুগী চাউবগী চাং হন্থহনবা নৎত্রগা মাঙহনখিবদি ঙমদে।

হোমের্নেল থেরাপিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা মখলশিং লৈ। ফিভমগী মখা পোন্না করম্বনা খ্বাইদগী ফগদগে হায়বদু দোক্তরনা লেপকনি।

# ইম্ফাল এয়রপোর্টতা মীওই ৯১১ রোম ফ্লাইটতা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী ৱাংমা দিল্লি, কোলকাটা, গুৱাহাটি, দিমাপুর, অগরটালানচিংবদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা, নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা পূন্না মীওস ৯১১ রোম ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট তরেৎতা ইম্ফালদা পুরকখ্রে।



ঙসি অয়ূক পুং ৯.৫০ রোম তাবা মতমদা দিল্লি, গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১০৮ রোম (ইন্দিগো ৬ঈ ৪৫৭) ফ্লাইটতা পুদুনা ইম্ফালগী এয়রকোর্টতা পুরকখ্রে। অনীশুবা ফ্লাইট (এয়র এসিয়া আই ৫- ৭৮৩) অসিনা ঙসি অয়ূক পুং ১০.৪২ রোম তাবদা দিল্লি, গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৬৩ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। অহুমশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া ৯ আই/৭৪১) অসিনা দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৯৯ রোম ঙসি নুমীৎয়ুংবা পুং ১২.০৫ রোম তাবদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

মরিশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ ঈ ৩৮৫) অসিনা অগরটালাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৩৯ রোম ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৭ রোম তাবদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। মঙাশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ ঈ ২০১৯) অসি ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪০ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৭৩ রোম ইম্ফালদা পুরকখ্রে। তরুকশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ ঈ ৬৩২৩) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.০২ রোম তাবদা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৫০ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। তরেৎশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯) অসিনা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৭৯ রোম ঙসি নুংথিল পুং ১.৫৫ রোম তাবদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

হৌখিবা মেগী ২৫দগী ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিগী ৱাংমদগী ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা ফ্লাইটতা পুরকখিবা মীওই ৮৪,৬৮৬ রোম শুরে হায়রি।

# কাঞ্চিপুরদা য়াইস্না বেক্করিগী আউটলেট অমা হাংদোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস): য়াইস্না বেক্করিগী অহানবা আউটলেট অমা ঙসি কাঞ্চিপুরদা হাংদোকখ্রে। আউটলেট অসি নেক্স জেনরেসন গ্রোথ সেন্টরনা ফ্রেঞ্চাইজ লৌদুনা হাংদোকপনি।

থৌরম অসিদা প্রোপ্রাইটর শান্ত লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা মপান লমগী শিন্মীশিংনা বেক্করি তৌরিবা অসিগী মহুৎ য়েলহৌমীশিংনা শিন্নবগীদমক মহাক্কী য়াইস্না বেক্করি অসি হৌদোরকপনি হায়খি।

# অনীশুবা স্পেসল গ্রাম সভা ফমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): খুরায় নান্দেবম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়ৎনা শিন্দুনা অনীসুবা স্পেসল গ্রাম সভা অমা ঙসি খুরায় পুথিবা লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙসি ফমখিবা মীফম অদুদা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী প্রধান ৱাই চিত্রানা প্রসিদেন্ট, খুরায় পুথিবা নান্দেবম লৈকায় মৈরা পায়বী ইমা লুপকী এদভাইজর এস মংলেম্বী অমসুং সোসল রিফোমর্স ক্লবকী ভাইস প্রসিদেন্ট এম হেমন্ত অনীনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি এস এস সীগী এদভাইজর এন ইঙোনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট অমদি ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা রিসোর্স পর্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি। মীফম অদুগী এজেন্দা ওইনা ফাইনেলাইজেসন এন্দ এপ্রুভেল ওফ জি পি দি পি ২০২১-২২; ফাইনেলাইজেসন ওফ লেবর বজেট ফাইনান্সিয়ল ইয়র ২০২১-২২ অমসুং অতৈ অতোপ্পা হীরমশিংগী মতাংদা খন্না নৈনখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# গুজরাত্তা বি জে পিনা সিট নিপানমক ফংখ্রে

গান্ধী নগর, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী): গুজরাত্তা পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখলদা লৈঙাক পায়রিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না সিট ৮ ফংবা ঙমখ্রে।

নবেম্বর ৩ দা ভোট থাদনখিবগা লোয়ননা ঙসি ভোট মশীং থিবগী থবক পায়খৎখিবনি। মীখল অসিদা কোংগ্রেসনা সিট অমত্তা ফংবা ঙমহৌদ্রে। অবদাসা, কর্জান, মোর্বি, গধাদা, ধারি, লিম্বদি, কপ্রদা অমসুং দাং এসেমব্লী কনষ্টিটুয়েন্সিদা পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখলদা পুন্না মীরেপ ৮১ না লম্বা পাখি। অবদাসা এসেমব্লী কনষ্টিটুয়েন্সিদা কোংগ্রেসতগী তোল্লগা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা মীখল থেংনখিবা প্রধ্যুমানসিনহা জাদেজানা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইখিবা কোংগ্রেসকী মীরেপ শান্তিলাল সেনঘানিদগী ভোট মশীং ৩৬,৭৭৮ হেন্দুনা মায় পাকখি। জাদেজানা পুন্না ভোট ৭১,৮৪৮ ফংখিবদা সেনঘানিনা শুপ্নগী ভোট ৩৫,০৭০ ফংখি। ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ হনিফ পদ্যারনা ভোট ২৬,৪৬৩ ফংদুনা অহুমশুবা তাখি।

এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি ৮মক্তা বি জে পিনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা পার্টি অসিগী থৌমী কয়ামরুম গান্ধী নগরদা লৈবা পার্টিগী হেদ ক্বার্টরদা থোরক্তুনা হরাওবা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লীগী মীখলদসু বি জে পিনা সিট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফংদুনা মায় পাক্কনি হায়না ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরক্তা থৌনা ফনা থোরক্লগা ভোট থাদখিবগীদমক মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টর রুপানিনা হায়খি, মুস্লিম, অদিবাসি, কোলি অমসুং পটিদার ফুরুপকী মীওইশিংনা মশীং য়াম্না খুন্দাবা কনষ্টিট্যুএন্সি পুম্নমক্তা বি জে পিনা মায় পাক্লিবসি শীংথানিংঙাই ওইবা থৌওংনি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা জুন থাদা পাঙথোকখিবা রাজ্য সভাগী মীখল মমাঙদা কোংগ্রেসকী সিটিং এম এল এ খরা ফম থাদোকখিবদগী তঙাইফদনা গুজরাতকী এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি ৮দা মরক্কী মীখল পাঙথোকপগী মথৌ তারকখিবনি।

# কোভিদ-১৯গী মতাংদা খন্নগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা. হর্স বর্ধননা ময়াই তাংবল লৌদুনা হয়েং নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদা মণিপুর, মহারাষ্ট্রা, ত্রিপুরা, মেঘালয়া, মিজোরাম, উত্তরখন্দ অমসুং গোৱাদা ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ফীভমগী মতাংদা ভিদিও কনফরেন্স পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনগদৌরি।

ষ্টেট খরদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলকপগা লোয়ননা মী শিবগী চাং হেনগৎলকপদগী তঙাইফদনা ভিদিও কনফরেন্সগী খুত্থাংদা মীফম অমা পাঙথোক্লগা খন্ন-নৈনবা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা খঙহল্লকখিবনি। অখন্নবা মীফম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অশ্বিনি কুমার চুবেসু শরুক য়াগদৌরি।

# থিগৎপীরগা ৱারোইশিন পুরক্লবা অমজুদা হায়জরকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): আর্টিষ্টশিংগা মরী লৈনবা ৱাফম অমা ফোঙদোক্লুই হায়বগী মতাংদা পাউচেদা লান্না ফোঙলকখিবগা মরী লৈননা মপুং ফাবা ইনক্কারি চত্থরগা ৱারোইশিন পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ আর কে অনিল কুমারনা ওল মণিপুর ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)দা অইবা চেরোল অমা থারকখ্রে।

অমজুগী প্রসিদেন্ট/সেক্রেটরিদা থারকপা চেরোল অমদা ওফিসর ইন-চার্জ অসিনা হায়খি, নবেম্বর ৭তা ত্রোংলাওবী এন্টি দ্রগ সেলনা শীন্দুনা ত্রোংলাওবী অৱাং কম্যুনিটি হোলদা 'দ্রগস এন্দ সবষ্টেন্স এব্যুজ প্রোব্লেম ওফ য়ুথ' হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি। চেবাও ফংদুনা মীফম অদুদা শরুক য়াদুনা ৱা ঙাংবদা লীলা, দ্রামাগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম খরা পাউচে অমনা অরানবা মওংদা ৱাহন্থোক পীরগা ফোঙলকপা থেংনরে। পাউচে অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীল, ঠিএটর সেন্টর মণিপুর, ওল মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপ অমদি ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা মীফম অমা পাঙথোক্লগা প্রেসতা অইবা চেরোল থাদোরকখি। হীরম অসিগী মতাংদা অচুম অরান থিগৎলগা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়না অমজুদা অইবা চেরোল অমনা থারকখিবনি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**কিরনকুমার নিংথৌজা, খাঙবোক মখা নাউরেম লৈকায়**

কোভিদ-১৯গী অৱাবা মরক ওইরবসু লৌরোক পান্থা ওইরক্তুনা লৌ লোক্লরকপা অসিনা মরম ওইদুনা লৌমিশিংদা হিংনবগী লম্বীদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীরে। অদুবু লৌ লোকপদা শীজিন্নরিবা ট্রেক্টরশিংনা লৌবুক্তগী কাখৎলক্লগা ট্রেক্টরদা পল্লিবা লৈখোমশিং শেংদোক্তনা মীয়াম্না চৎনরিবা মরুওইবা লম্বীশিংদা থৌবা মরম্না লৈখোম অমদি লৈবাক মচেৎ কয়া তাহৌবনা লম্বী মোৎশিনহনবা খক নত্তনা অচৎ-অওকশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। লোয়ননা গাড়ি মচা থৌবশিংদা এক্সিদেন্ট থোকহন্নবগী অচৌবা মচাক অমসু ওইহল্লে। অমরোমদনা নীংথমথা য়ৌরকপনা মরম ওইরগা লিক্লা তারকপনা ট্রেক্টরদগী তাহৌবা লৈখোমশিং অদুদা নাম্বুবগী চাং হায়বদি গাড়ি শিংনবগী মচাক অমা ওইহল্লে। থৌওং অসিনা গাড়ি থৌরিবা মীওইশিংদা মতম অমদা হেক্তা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্লকপা য়াবগী অচৌবা মরম অমা ওইরে। মরম অদুনা মরি লৈনবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিনবিয়ু হায়জরি। লম্বীদা তারিবা লৈবাকশিং অসিনা অমুক কংশিল্লকপা মতমদদি লম্বীদা উফুল থোকহল্লি। মদুনা লম্বীদা গাড়ি থৌবদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনবগা লোয়ননা মীওইবনা শ্বর হোনবদা য়াওশিনখিদুনা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবসু থোকহল্লি। মরম অদুনা ট্রেক্টর থৌরিবা অমদি লৈবাক পুরিবা গাড়িশিংনা মীয়ামগী খনবিদুনা অসিগুম্বা থবক অসি তৌবিদনবা খঙহনজরি।



**আর এ মৈনাম, তুলিহল ৱার্দ - ৪ য়াইরিপোক**

কোভিদ-১৯গী হা কাদুনা ৱারবা মতম অসিদা মরক্কী মীখলদি এস ও পি ঙাক্তনা মপুংফানা পাঙথোকখ্রে। নাকল অমরোমদনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা সোসল দিষ্টেন্স থমগদবনি হায়দুনা মরুওইবা ইম্ফালগী কৈথেল কয়াদদি ঙসিসু ফম্বগী অয়াবা পীবিদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা নোংমগী চারা তাঞ্জবা লায়রবা মীচম কয়াদি মকোক্তা মখুৎ হাপ্তুনা অৱা-মৈশা লাংলি। মসিবু কদাই ফাওবা চুল্লিবনো হায়বসি য়াম্না মুন্না মরি লৈনবশিংনা খন্থহন্নিংই। মরুওইবা ইম্ফালগী কৈথেলশিং হাংদবনা মরম ওইদুনা চহী অমদা অমুক্তং লাকপা নিংঙোল চাক্কৌবদা পোৎচৈ লৈবা ঙমদবনা মরম ওইদুনা নিংঙোল ওইবী কয়াদি নিংবা কাইনবগী মচাক অমসু ওইহল্লে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা মরক্কী মীখল পাঙথোকখিবগুম কুম অমদা য়াম্না তাংনা লাকচবা নিংঙোল চাক্কৌবা অসিগী য়েংলগা তঙাইফদবা কৈথেলশিং হাংহন্নবা শিনবিয়ু। অদুগা ৱাফম অমনা পি দি এসকী এজেন্টশিংদা কোভিদ-১৯গা মরি লৈননা য়েলহল্লিবা চেং অসিসু অহানবদদি য়ুমগী মীপুম খুদিংদা য়েল্লম্মী, মদু ঙসিদি নাথৈখরে। মীচম অমা ওইনা হায়জরিবা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা মরি লৈনবশিংনা অমুক্তং মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়না ফোঙদোকচরি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।১১।২০২০ ইং, য়ুমশকৈশা;
মেরাগী ২৬ নি পানবা।

**মেষ :** ফিংবনা কাইনবা য়াবা অমদি থাজদনা নক্লবনা ইকায়বা নংহনবা য়াবসু লৈ-ৱাঙাঙ হৈয়ু। য়েৎনবদদি মায় পাক্কনি, থবক পাংগনি অমদি শেল ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - থেংলপ্না নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃষ :** চিংনবা পোকপা, হুরানবনা তাথিবা অমদি অঙম্বগা মুক্লবা য়াবা লৈ। অফবা মরুপকী ৱা লৌবা অমদি নিংহন্নদবনা মায় পাক্লবগী পান্বে ওইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মিথুন :** অয়ুক্তা নীংবা থুংবা, লন চাওখৎনবগী খোঙশাল লৈবা অমদি অফবা মরুপ ফংগদবা নুমিৎনি। মীতোপ্পা তাথিবা অমদি কাইনহনবা য়াবদি লৈ -পংথগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** থেংলপ্না নীংবা থুংগনি, হকচাংসু নুংঙাইরক্কনি অমদি লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা ফংগনি। নথৌ মশক খঙবগী অঙম্বনা থাগৎপিবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফরনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**সিংহ :** নুমিৎয়ুংবা ফাওবা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈ। অয়েৎপা লৈরম্বসু কোকচগনি। অফ-ফত্ত খন্থবা ঙম্বা লৌশিং লৈ- মতম অমদি খুদোংচাবা মাঙহনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক।

**কন্যা :** থেংলপ্না নীংবা থুংজবা, হরাওবা অমদি মীচং ফংজবা নুমিৎনি। নচাক নরল চাওখৎপা অমদি মীয়াম্না য়াবা নুমিৎনি। ফত্তবা মরুপতি লোয়নদনবা হোৎনৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** নুমিৎয়ুংবা ফাওবা লম্ অয়ম্বদা মায় পাক্কনি। ইমুং মনুংতা নত্তনা মীয়াম্না চানবীবা নুমিৎনি অদুনা মখোয়গা লোয়নবা ফৈ। কোক শাবদি লৈগনি-তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফরি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অদুনা থৌয়াম পুগনু অমদি পাঙ্গল ফুদোকপা থবক পাংদবা ফৈ। মীংচৎ, শেল অমদি মীচং হেনগৎপা নুমিৎতি ওইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মায় পাকচৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**ধনু :** নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মীপাইরম্বা কোকচগনি অমদি পাউ নুংঙাইবদি তাগনি। অনৌবা মরুপ ফংবা অমদি অরাপ্পগী মতেং ফংবা লৈ। মরুপ্তুগীদি চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - কল্লক য়েংথীবা য়াম্মী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মকর :** লাইবক ফবা ৱাৎলি, খুৎচাও থাগনু অমদি মীৱা হেন্না থাজগনু। থবক খরদি হৈশিংনা পাংগনি। হুরানবনা নচা ননাইদা মাঙহনবগী নুংঙাইতবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংঙাইজে।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** অয়ুক্তা অফবা খোঙশাল লৈগনি, নীংজবা ফংবা অমদি য়েক্লবা লৈতবা ওই। থেংথরক্লদি অশাওবনা মাঙহনবা অমদি নথক থোংবনা চানবীরোই -তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - খৎনবা য়াই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিন :** খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংবা নুমিৎনি। মীংচৎ, শেল অমদি লৌশিং মরাং কাইনা ফংগনি। খুৎচাও থাবা য়াবা অমদি থিবা হুম্বা কনবগীসু কান্নবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংজে।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।